নোভাভেক্সনা পুথোকপা কোভিদ-১৯গী...

লামায় ১গী মখা... শুদ্রিবা মীওই ঙাক্তনি। কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা অমসুং লায়না অসিনা নারুবদগী ফগৎলক্লবা মীওইশিংদি চাংয়েংদা শরুক য়াহনখিদে। অহানবা তাঙ্ককী চাংয়েংদা ডোক্টরশিংনা ভেক্সিন অসি মীওইবদা কাপশিনবদা কদাই ফাওবা শাফগদগে হায়বা য়েংশিনখি। অনীশুবা দোজ কাপ্লবা মতুংদা মীওই অয়াম্বা করিসু থোইদোকপা সাইদ ইফেক্ট অমত্তা উৎথোরকপা থেংননিখদে। ভেক্সিন অসিনা ইম্যুন সিষ্টম কনখৎহন্দুনা কোভিদ-১৯ ঙাকথোকপা ঙম্বগী খুদম ময়েক শেংনা ফংবা ঙমখি।

GAS NEWS

M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE
BOOKING DATE : 23/05/2020
TIME : 11.00AM TO 2.00PM
BOOKING AND ANY ENQUIRY
CONTACT NO. : 7629045883

RBD INDANE SERVICE
Booking upto : 15/07/2020
Valid from : 01/07/2020
STOCK : 331
ALL CUSTOMERS ARE HOME DELIVERY
WORKING HOURS : 7:30 AM - 12:00 NOON (NUMIT KHUDINGGI PHONE TOUBA YAGANI SUTI NATTANA /EVERY DAY EXCEPT HOLIDAY)
CONTACT NO. 7629947172 AND 7629947182 FOR REFILL ORDER AND ENQUIRY
(DELIVERY WITHIN 4 DAYS)

KHONGNANG GAS AGENCY, NINGTHOUKHONG
Booking upto : 08/08/2020
Valid from : 01/08/2020
PLEASE CONTACT :
7085412119/7085411559
TIME : 7:30AM TO 10:30 AM.

M/S K&K INDANE SERVICE
BOOKING UPTO SL. 50 A&B OF 16/07/2020
VALID FROM : 04/07/2020
(PLEASE REPORT UNDELIVERED CONSUMERS AT PATSOI OFFICE).
GAS BOOKING COUNTER OPEN AT TERA BAZAR OFFICE
TIME : 8.00AM TO 11.00AM

KHUMBONG INDANE
Booking upto : 03/07/2020
SL. NO. - 50
ONLY HOME DELIVERY
CONTACT NO. : 7005771527
OFFICE NO. : 9774068549
WHATSAPP NO. 8794973019
TIME : 7.30AM TO 10.00AM

HIYANGTHANG INDANE
BOOKING DT. : 01/07/2020
SL. NO. UPTO - 80
VALID FROM : 28/06/2020
TIMING : 7.00AM TO 10.00AM
HOME DEL. ONLY.
OFFICE NO. : 7085557686, 6381538861,WACHAP NO. : 9366502930, HOME DEL.NO. 7629076494, 7005934398

M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
BOOKING UPTO 14.2KG- 06/08/2020
VALID FROM-28/07/2020
***19KG AVAILABLE
FOR DELIVERY SERVICE PLEASE CONTACT
-7085738631OR 8119967523
CALL TIMING:8:00AM TO 2:00PM

MM GAS SERVICE
HOME DELIVERY ONLY
Booking upto : 25/06/2020
Valid from : 20/06/2020
PLEASE CONTACT/SMS/ WHATSAPP
FOR THANGMEIBAND / LAMPHEL / LANGOL AREA
8131852580 / 9774722106/ 7628094160/9089370369
FOR URIPOK / SAGOLBAND KEISHAMPAT/ KEISHAMTHONG KWAKEITHEL / PISHUM / SINGJAMEI KHAGEMPALLI / YAISKUL, AREA
7085198900 / 6009885600 / 7005281388
FOR OTHERS AREA
9612009063 / 9862792731
DELIVERY WITHIN 3 DAYS
TIMING :7:00 AM TO 12:00 NOON

MANIPUR GAS SERVICE
Booking upto : 20/07/2020
Valid from : 20/06/2020
Home Delivery Only....
Contact No: 8730954041, 8259969582
Office Timing: 7.30am to 12.00noon

HRANGCHAL GAS AGENCY
Booking upto : 20/07/2020
Valid from : 18/07/2020
BOOKING ONLY: 03852444677
ENQUIRY ONLY: 9436280866
TIMING: 8:00AM to 12:00PM
(HOME DELIVERY ONLY)

JRONGMEI SK INDANE WANGOI
Booking on : 02/07/2020
Stk. : 306
Timing : 6.00am to 9.00am
Home Delivery
(Contact No. : 69 09963855/ 8119073029)

MAIBIA GAS MOIRANG
Booking upto : 09/07/2020
Valid from : 08/07/2020
STOCK : 270 (19 KG-24)
(HOME DELIVERY SERVICE)
CONTACT NOS.
1.DILIP-9612883295 (Moirang A/C),
2.AJAY-7005667570 (Thanga A/C),
3.ROJEN-8787381746 (Kumbi A/C)
BOOKING vv CONTACT NO. 7085972248
TIMING : 8.00 AM TO 12.00 NOON

M/S LAMBODARA INDANE SERVICE
Booking upto : 20/07/2020
Valid from : Nill
Delivery date 04/09/2020
Home Delivery only.
For registration SMS IOC<space >03852427434< space>consumer no. to 9089024365.
For booking
SMS IOC to 9089024365.
Contact : +91 70053 82686 for enquiry.
from 8:00am 11:30am

তোঙান-তোঙানবা লূপশিংনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস) :

ময়াং ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ইরোং য়েন্দাও পল্লিদা মশাগী চহী ১৪ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমবু ঈকায়খুম্নবা মাঙহল্লগা হুন্দোক্লমখিবা থৌদোক অদুবু তোঙান তোঙানবা লূপ কয়ানা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌনরক্লি।

দেসামগী ৱিমেন্স ৱেলফেয়র সেক্রেটরি এস নিকিতানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মশাগী চহী ১৪ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমবু অথেংবা অহিংদা কৌথোক্লগা নুপী ওইবীগী ঈকায়খুম্নবা মাঙহল্লগা তমথীনা ওৎ-নৈরবা মতুং হুন্দোক্লম্বদগী লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদবগী থৌওং অসি দেসামনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। নুপীমচা অসিগী ঈকায়খুম্নবা মাঙহনবদা অমদি হাৎপদা চেন্নবা মীওইশিং অথুবা মতমদা পুথোক্তুনা শিবগী চৈরাক পীগদবনি। হৌজ-থেংখাং কয়াদা নুপীশিংবু ওৎ-নৈবা, ঈকায়খুম্নবা মাঙহনবা অমদি হাৎলম্বগী থৌদোক কয়া লৈখ্রে। অদুবু মরাল লৈবা মীওইশিংদা মতিক চাবা চৈরাক মতম চানা পীদবনা পামদবা থৌদোক অসি মখা তানা থোক্লকপনি খল্লি। লৈঙাক অসিগী জুদিসরিদা ঙসিসু থাজবা থল্লি। অদুবু নোংম-নোংমগীদি থাজবা মাঙলক্লি। থাজবা অসি মপুং ফানা মাঙলক্লবদি তোঙানবা মায়োন অমদা নুপীশিংনা মরাল লৈবশিংগী মথক্তা চপ চাবা থবকশিং পায়খৎলক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। মরাল লৈবশিংবু শিবগী চৈরাক য়াওনা মতিক চাবা চৈরাক পীদুনা রুল ওফ লো লৈবা লৈবাকনি হায়বসি খঙহনবীয়ু। অদুবু মোব লিঞ্চিংনচিংবা থৌওংশিংদি দেসামনা শৌগৎচদে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ওল মণিপুর ৱিমেন্স ভলন্টরি এসোসিএসন (এ এম এ দব্লিয়ু ও ভি এ)গী জেনরেল সেক্রেটরি কে এস ঐচ সুজাতানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্তুনা লমদমসিগী মীয়াম্না অকিবা পোকপগা লোয়ননা লোকদাউনগী অৱাবা মায়োক্লরিঙৈ তানফম অসিদা মশাগী চহী ১৪ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমবু ঈকায়খুম্নবা মাঙহনবীরবা মতুংদা হুন্দোক্লমখিবা থৌদোক অসি ওল মণিপুর ৱিমেন্স ভলন্টরি এসোসিএসন্না অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। তাঙ্কক কয়াদা মণিপুর অসি নুপী ওইবীশিংনা কন্দুনা লাকখিবনি। অদুগা ইরমদমসিগী নুপা ওইবশিংনা নুপী ওইবীশিংদা ওনশিন্দুনা মীওইবগী মীনুংশি হায়বদু মচেৎ অমা ফাওবা চেন্দবা শারমচৎকী ৱাখল্লোনগা লোয়ননা নুপীশিংদা ওৎ-নৈবগী থৌদোক অসি অহানবা নত্তে। কয়ারক হন্না থোকখ্রবনি। থৌদোকসিদা চেন্নরিবা মীওই খূদিংমক অথুবা মতমদা লৈঙাক্লা থিদোক্লগা অহকপা চৈরাক পীগদবনি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

অপূনবা মণিপুর কনবা ইমা লূপ (অমকিল)গী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি অঙোম সুস্মানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মশাগী চহী ১৪ রোমতা ঙাইরিবী নুপীমচা অমবু ময়ুমদগী কৌথোক্লগা নুপী ওইবীগী ঈকায়খুম্নবা মাঙহনবীরবা মতুং শিরে হায়দুনা লংথোক্লম্বা অসি অমকিলনা থম্মোয় শোক্লা কন্দেম তৌই।

চেরোল অসিনা হায়, কোভিদ-১৯ লাইচৎকী অসুক লুরবা মতম অসিদা হৌখিবা থা ২ অসিদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নুপী ওইবীগী ঈকায়খুম্নবা মাঙহল্লকপা অসি নুপী খুন্নাইবু উশিৎতবনি। অসিগুম্বা শারমচৎ চৎপা, মীওইবগী ৱাখল চেন্দবা রেপিষ্টশিং অসি অহকপা চৈরাক পীদবনা মরম ওইরগা অসিগুম্বা লাইবক থীবা থৌদোক অসি তৎতনা থোক্লিবনি। লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা থৌদোক অসিদা চেন্নবা মীওইশিং অহকপা চৈরাক পীবীয়ু। নৎত্রবদি খুন্নাইসিগী নুপীশিংনা নুপী ওইবীগী ঈকায়খুম্নবা কঞ্জনবগীদমক মায়কৈ খূদিংদগী হৌরক্তুনা থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোরকপা য়াই। অসিগুম্বা নুপীদা চথুবা ক্রাইম, ঈকায়খুম্নবা মাঙহনবা অমদি হাৎপগী থৌদোকশিং অসি লমদম অসিগী নুপীশিংনা খাংবা ঙম্লক্তদুনা অকনবা ঈহৌ চঙশিল্লক্ত্রিঙৈদা লোগী মতুংইন্না অকনবা চৈরাক পীবীয়ু। লৈঙাক্লসু অথুবা মতমদা মতিক চাবা থবক লৌখৎপীয়ু। মদু নৎত্রবদি মমা ওইবীশিংনা অচৌবা খোঙজং চঙশিন্নবগীদমক শেম-শারে হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)গী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি নোংমাইথেম য়াইফবী চনুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মশাগী চহী ১৮ শুদ্রিবী নুপীমচা অমবু নুংশিনবা নুপা ওইগনি চিংনবা মীশক অমনা অতোপ্পা মীওই খরগা মান্নরগা ময়ুমদগী কৌথোকপীরবা মতুং গেংরেপ ওইগনি চিংনবা মওংদা লম্বীগী মতায়দা হুন্দোক্লম্লবা মতুং লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদবা থৌদোক অসি এমসু ৱিমেন্স ৱিংনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই।

চহী নৌরিবী নুপীমচা অমদা তমথীনা শরাক তম্বীরবা মতুং মীওইবগী মমল য়াম্লবা থৱায়বু করিসু লৈতনা খনবগী মওংদা হুন্দোকপীরম্বা অসি খুন্নাই অসিগী য়াম্না লাইবক থীবা, কা হেনবা লীচৎ অমনি। অসিগুম্বা লাইবক থীবা থৌদোকশিং অসিনা নুপী খুন্নাইদা অৱাবা কয়া মায়োক্লহল্লি। অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি খুন্নাই অসিদা তোয়না থোক্লকপনা নুপী ওইবীশিং অমসুং নৌরবা নুপীমচা কয়াগী পুন্সি সেফ ওইবা পুন্সি মহিং অমদা লৈবা ঙমহন্দ্রে। মমাঙথক্তা অসিগুম্বা নুপী-অঙাংদা চথুবা মীওৎ-মীনৈ, তমথীরবা থৌদোক কয়া লৈখ্রে। থৌদোকশিং অদুদা চেন্নবা মরাল লৈবশিং লোগী মতুংইন্না মতম চানা চৈরাক ফংহনখিদবা অমদি অকনবা চৈরাক পীখিদবনা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি তোয়না থোক্লকপনি। লমদম অসিগী নুপী ওইবী কয়াগী মথক্তা চথুবা পামদবা থৌদোকশিং অসিদা চেন্নবা মরাল লৈবশিং মতম চানা ৱায়েল চথুদুনা চৈরাক পীনবা এমসুনা মতম-মতমগী পানখিবা লৈঙাকশিংদা তকশিন্দুনা লাকখি। অদুবু ঙসি ফাওবা লৈঙাক্লা মপুং ফানা থবক লৌখৎত্রি।

অমরোমদা, নুপী-অঙাংদা চথুবা মীওৎ-মীনৈগী ৱায়েল চথনবা নৌনা লিংখৎখিবা ফাষ্ট ট্রেক কোর্ট অসি নীংথিনা মথৌ তৌবা ঙম্ননবা মচাকশিং অথুবদা হাপচিন্দুনা মতম কয়াগী মমাঙদগী মীয়াম্না ঙাইদুনা লাকখিবা কোর্ট অসিনা অথুবদা ৱায়েল চথুবীদুনা মরাল লৈবশিং মতিক চাবা চৈরাক পীবীদুনা তুংদা থোক্লকপা য়াবা থৌদোকশিংদগী কঞ্জবা ঙম্নবা থবক লৌখৎপীনবা এমসু ৱিমেন্স ৱিংনা আপিল তৌজরি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

য়ুনাইটেদ এন জি ওস মিসন মণিপুরগী এসিষ্টেন্ট কোওর্দিনেটর ৱাহিদা বেগমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, চহী নৌরিবী নুপীমচা অমবু ময়ুমদগী কৌথোক্লগা ঈকায়খুম্নবা মাঙহল্লবা মতুং ময়াং ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা মফম অমদা হুন্দোক্লমখিবা থৌদোক অসি য়ুনাইটেদ এন জি ওস মিসন্না অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। অসিগুম্বা থৌদোক অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবা নত্তে। মমাঙদসু নুপী কয়াবু ঈকায়খুম্নবা মাঙহল্লবা মতুংদা হাৎলম্বগী থৌদোক কয়া লৈখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবা থৌদোকশিং অসিগা মরী লৈনবা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎপা উদ্রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা লৈঙাক্লসু অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্ননবা খোঙথাং লৌখৎপীয়ু হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

পাঙল ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (পি এস ও) মণিপুরনসু চহী নৌরিবী নুপীমচা অমবু ময়ুমদগী কৌথোক্লগা ঈকায়খুম্নবা মাঙহল্লবা মতুংদা হাৎননবা হোৎনরম্বদগী রিমসতা লায়কন্নরবা মতুং লৈখিদবা অসি পাঙল ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসনন্না হকচিন্না লৌই। হায়রিবা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওই খূদিংমক পুলিস দিপার্টমেন্টনা ফাগৎলগা লোগী মতুংইন্না চৈরাক পীবীয়ু। নুপী ওইবীগী ঈকায়খুম্নববু করিসু লৈতনা খনবগী মওংদা তৌনিংবতা তৌদুনা লৈরিবা মীওইশিং অসি মতিক চাবা চৈরাক পীফম থোকই। মীওইবগী ৱাখল চেন্দবশিং অসিদগী লৈবাক অসিগী চনুরাশিং কন্নবগীদমক মরাল লৈবা খূদিংমক অহকপা চৈরাক পীবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

‘এম য়ু সীগী ভি সী, রেজিষ্ট্রার নবেম্বর ১০ ফাওবগী মনুংদা হাপ্পু’

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস) :

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর (এম য়ু সী)গী ভাইস চাঞ্চেল্লর (ভি সী), রেজিষ্ট্রার অমদি মরুওইবা পোষ্টশিং নবেম্বর ১০ ফাওবগী মনুংদা হাপ্পু হায়না দেম্মক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়ন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)না তকশিল্লক্লি।

দেসামগী কলচরেল এফেয়র্স সেক্রেটরি ওইনাম সুর্জকান্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর হেক লিংখৎলকপদগী হৌনা দেসামনা য়ুনিভর্সিটি অসিদা য়ুনিভর্সিটি অমা ওইবগী লৈফম থোকপা মচাকশিং লৈহন্ননবা ঙসি ফাওবা তকশিন্দুনা লাক্লি। য়ুনিভর্সিটি অসিনা ঐখোয়গী নাৎ অমসুং কলচরবু মালেমদা মশক তাক্লবা অচৌবা মফম কনগনি হায়নসু থাজবা থমখিবনি। হৌজিক চথুরক্লিবা থবক লৌবগী অরানবশিং অমদি য়ু জি সীগী মখাদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি অমগী তোঙান তোঙানবা লৈফম থোকপা পোষ্টশিং ওইনা ইলিজিবিলিট ক্রাইটরিয়া শুদবশিংনা তোঙান তোঙানবা পোষ্টশিং পুদুনা লৈরিবা অরানবা কয়াশিং অসি শেমদোক্লবা অকনবা ৱাফম দেসামনা এম য়ু সীগী ওথোরিটিদা থমখিবনি। অদুবু অরানবা কয়াশিং অসি চুমথোক্লবগী তাঞ্জা লৌদ্রবদি দেসামনা অরানবা তৌরিবা মীওইশিংগী মথক্তা অকনবা মীৎয়েং চঙলগনি।

এম য়ু সীদা কাং-খোং চাইবা, মপু পান্দবগা চপ মান্নবা ফীভম অমা লাক্লিবসিগী মতাংদা চপ চাবা থবক লৌখৎননবা য়ুনিভর্সিটি অসিগী চাঞ্চেল্লর, চীফ মিনিষ্টর অমদি আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টরনা অকন্নবা মীৎয়েং চঙবা চুমগনি। য়ুনিভর্সিটি অমগী লৈফম থোকপা ফিজিকেল ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি হ্যূমেন রিছোর্স ইনফ্রাষ্ট্রকচর মতিক চাবা থম্বা, শেমগৎপা চঙই। য়ুনিভর্সিটি মশাগী চপ চাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎনবা হোৎনবদা লৈঙাক্লা অথুবদা থবক পায়খৎপা চঙই। য়ুনিভর্সিটি অসি মথৌ তৌবদা তঙাইফদনা চঙলিবা রেগ্যুলর ওইবা ভাইস চাঞ্চেল্লর, রেজিষ্ট্রার, এগজামিনেসন কন্ট্রোল্লর, ফাইনান্স ওফিসর, লাইব্রেরিয়ন অমদি তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী ৱাৎলিবা ফেকল্টিশিং অথুবা মতমদা লৌনবা হোৎনবীয়ু। খ্বাইদগী মথৌ তারিবা মরুওইবা পোষ্টশিং অসি মেনশিন্নবা হোৎনদ্রিঙৈদা অতৈ অতোপ্পা পোষ্টশিং লৌবা য়ারোই। মণিপুর লৈঙাক্লা কলচরেল য়ুনিভর্সিটি অমা লমদমসিদা হাংদোক্লিবসি দিল্লিদগী লাকপা গ্রান্ট খরা অদুগীরা, লন্নাই এসেট ওইনবা লিংখৎলিব্রা, হুরান-লান্নাদা থবক হাপতোক-হাপচিন তৌনবরা হায়নসু দেসামনা হংলক্লি। য়ুনিভর্সিটি অসিদা থোরক্লিবা প্রোব্লেমশিং অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবগী অমত্তা ঙাইরবা লম্বীদি ভি সী, রেজিষ্ট্রার অমদি মরুওইবা ওথোরিটিশিং রেগ্যুলর পোষ্টতা হাপ্লবখক্তদা ওইগনি। মরম অসিনা ভি সী, রেজিষ্ট্রার য়াওনা মরুওইবা পোষ্টশিং অসি নবেম্বর ১০ ফাওবগী মনুংদা হাপ্পনবা শীনগদবনি। করিগুম্বা হাপ্পনবা শীন্দ্রবদি য়ুনিভর্সিটি অসিদা তম্লিবা মহৈরোয়শিং, কলচরবু নুংশিজবা লূপশিংগা পুনশিন্নদুনা মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস) :

রাইটর্স ফোরম ইম্ফালগী ৩৩শুবা মপোক কুমওন থৌরম চহী অসিগী ওইনা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা য়াম্না চম্না লৈঙাক্কী চৎন-কাঙলোন ঙাক্লা ফোরম অসিগী নাগামপাল লমাবম লৈকায়দা লৈবা ওফিসতা পাঙথোকখ্রে হায়না রাইটর্স ফোরমগী সেক্রেটরি এম নোটিলালনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ফোরম অসিগী প্রসিদেন্ট কেশাম প্রিয়োকুমারনা থৌরম মপু ওইরগা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লৈখিদ্রবা ফোরম অসিগী মেম্বরশিংগী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বগা লোয়ননা ফোরমনা পুথোকপা লাইরিক তরুক হায়বদি অরিবম কৃষ্ণমোহন শর্ম্মানা হন্দোকপা শিবানিগী *কিশনুলীগী লমজা* (মৈতৈ ময়েক), লাইশ্রম সোমোরেন্দ্রোনা হন্দোকপা গুরদিয়াল সিংহগী *অরোইবা মৈরী* (মৈতৈ ময়েক), সুধির নাউরোইবমনা ইবা ৱারী মচাগী লাইরিক *লৈই খরা পুন্সি খরা* (মৈতৈ ময়েক), হাওবম নলিনিনা ইবা হেক লমকোয়বা (শৈরেং), হাওবম নলিনিনা ইবা *মণিপুরী সাহিত্যগী ময়ায় যুগতা হিন্দু ধর্ম্মগী ঈথিল* (ৱারেং, বাংলা) অমসুং হাওবম নলিনিনা ইবা *মণিপুরী সাহিত্যগী ময়ায় যুগতা হিন্দু ধর্ম্মগী ঈথিল* (ৱারেং, মৈতৈ ময়েক)নি।

থৌরম অসিদা ফোরমনা থা ৩/৩ খূদিংগী পুথোকপা চেফোঙ সাহিত্যগী পাউ ১০৮-০৯ শুবা মশিংসু এদিটর ওইরিবা ডা. এল ইবেমহলনা ফোঙদোকখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস) :

কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক্কী মায়োক্তা লোকদাউনগী অথিংবা থল্লিঙৈগী চৈরক্তা লায়না-লাইচৎ অসিগী মতাংদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী উপোকপীদা ঙরাংদগী হৌরদুনা চথুরকখিবা কম্যুনিটি এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম লোইশিনখ্রে।

নুমীৎ নীনিগী প্রোগ্রাম অসি দিষ্ট্রিক্ত অসিগী মেলেরিয়া ওফিসর অমসুং উপোকপীগী য়ুথস স্পোর্টিং এন্দ ৱেলফ্যের এসোসিএসন্না পুন্না খুৎশন্নদুনা শীনবনি।

এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অসিগী ঙরাং অহৌবা নুমীৎতা মফমসিগী অকোয়বদা কোভিদ-১৯গী মায়োক্তা দিসইনফেক্সনগী হিদাকশিং পাক-শন্না কাপথোকখি। অদুগা ঙসি অরোইবা নুমীৎতা উপোকপী মমাঙ কম্যুনিটি হোলদা নুংথিল পুং ২ তাবদগী হৌনা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখি। মফম অসিগী নুপী য়াওনা মীওই ৭৯ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা প্রোগ্রাম অসিদা দিষ্ট্রিক্ত মেলেরিয়া ওফিসর ডা. নবকেশ্বর অমসুং বি জে পি কিষান মোর্চাগী নেসনল এগজিক্যুটিভ মেম্বর ওইনাম জুগেশ্বর এক্স-উপ প্রধান বিষ্ণুপুর জিলা পরিষদনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইখি।

প্রোগ্রাম অসিদা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক্কী মায়োক্তা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)না পীবা গাইদলাইনশিং য়াওনা মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ দিরেক্টোরেট অমসুং আই সী এম আরনা পীবা গাইদলাইনশিংগী মতাংদা ৱাখল তামিন্নখি। লোয়ননা শরুক য়াখিবশিংগী মরক্তা লায়না অসিগী মতাংদসু ইন্টরেক্সন পাঙথোকখি।

য়াম্না শোঞ্চনা লৈরিবা ইমুং অমগী য়ুম শাখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস) : হৈরোক এ সীগী মনুং চনবা সলুংফমদা য়াম্না ফীভম চাদবা য়ুম অমা সোসল মীদিয়াদা য়াওরকপা থেংনবদগী হৈরোক ব্লোক য়ুথ কোংগ্রেস কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা ঙসি মফম অদুদা লাক্তুনা অমদি অচঙবা খূদিংমক পুথোক্তুনা য়ুম অদু নোংমদা শাবা লোইশিনখ্রে।

য়াম্না ফীভম চাদনা লৈরম্লিবা য়ুম অদু সলুংফম কাংথোকচাও ৱার্দ নম্বর-থ্রীদগী সাপম দেবেন (৫৭), অপোকপা লৈখিদ্রবা সাপম অঙৌগীনি। হৌজিক হৌজিক য়ুম অদুদা মহাক্কী লোয়নবী অমদি মচানুপী অমগা পুন্না মখোয় অহুম লৈমিন্নরি হায়রি।

হৈরোক ব্লোক য়ুথ কোংগ্রেস কম্মিটিগী সেক্রেটরি মাইবম তোমথিননা হায়খিবদা হৌজিক্কী চাউখৎলবা মতম অসিদা য়াম্না মওং তাদবা য়ুম অসি সোসল মীদিয়াদা থেংনজবদগী য়ুথ কম্মিটিনা ব্লোক কোংগ্রেসকী অহলশিংগা তান্নরবা মতুং য়ুথশিংনা শেল খায়নদুনা ঐখোয় পুন্না মফম অসিদা য়ুম শাবদা চঙবা পোৎলমশিং পুদুনা লাক্লগা নোংমদা শাবা লোইশিনবা হায়বা পান্দমদা য়ুম অসি শাজবনি হায়খি।

অসিগুম্বা ফীভম চাদনা লৈরিবা য়ুমশিং অসিদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা স্কিমশিং য়ৌহনবীদুনা মতেং পাংবীনবসু হৈরোক ব্লোক য়ুথ কোংগ্রেস কম্মিটিগী সেক্রেটরি মাইবম তোমথিননা লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিল্লক্লি। নহাশিংনা ঙসি খঙহৌদনা য়ুম অমা শাবদা চঙবা পোৎলমশিং উ, ৱা অমদি য়ুম কুপ্নবা তিননচিংবা পোৎলমশিং পুদুনা লাক্লগা য়ুম অসি নোংমদা লোইশিনগনি হায়না মীয়াম চঙদুনা শাবীরিবসি উবদা য়ুম্বুগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরকখি।

হিদাক কাপথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস) : খাঙবোক এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী ওইনা কম্যুনিটি ক্বারন্টিন সেন্টরশিং চল্লাইরম্বা এন্টি কোভিদ-১৯ কম্যুনিটি ক্বারন্টিন সেন্টর খাঙবোক কেন্দ্রগী ভলন্টিয়রশিংনা এম এল এ ওক্রম সুর্য্যকুমারগী মীৎয়েং মখাদা ঙসি কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী হোম ক্বারন্টিন তৌদুনা অৱাবা মায়োক্লরিবা ইমুং ১৫দা হিদাক কাপথোকখ্রে। লোয়ননা য়ুমশিং অদুগা নক্লনা লৈবা ৱেটিং সেদশিং অমদি অকোয়বা পুম্নমকসু হিদাক কাপথোকখ্রে।

লোকল এম এল এ চল্লাইবা ক্বারন্টিন সেন্টর পুম্নমক ক্লোজ তৌখ্রবসু এম এল এ, ও সুর্য্যকুমারনা মীয়ামগী মতেং অদুম্মক তেংবাংখিগনি হায়বা ৱাফমবু থবক ওইনা পাঙথোকপা ওইনা ভলন্টিয়রশিংনা হিদাক কাপথোক্তুনা শেংদোকপনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

Important Phone Nos.

RIMS	-	2414478
J.N. Hospital	-	2450385
DG Control	-	2450100
FIRE SERVICE		
Imphal	-	101
Moirang	-	8415925197
Churachandpur	-	8415925191
Thoubal	-	8415925203
Kakching	-	8415925194
Jiribam	-	8415925193
Mayang Imphal	-	8415925196
Bishnupur	-	8415925190
Moreh	-	8415925198
Kangpokpi	-	8415925195
Ukhrul	-	8415925205
Senapati	-	8415925199
Chandel	-	8415925192
Singhat	-	8415925201
Sugnu	-	8415925202
Yairipok	-	8415925206

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	86.858529
US Dollar	73.469544
British Pound	97.603735
Australian Dollar	53.614775
Chinese Yuan Renminbi	10.745663
Japanese Yen	0.690739
Malaysian Ringgit	17.720658
Singapore Dollar	53.851115
South Korean Won	0.061734
Saudi Arabian Riyal	19.591878
Thai Baht	2.337715
Myanmar Kyat	0.05560
Bangladesh Taka	0.86666

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	51056.00
Mumbai	–	Rs	51043.00
Delhi	–	Rs	50965.00
Kolkata	–	Rs	51218.00

মোদিগী ৱেবসাইট একাউন্ট হেক...

লামায় ১গী মখা... কনাগুম্বা মীওই অমনা হেক তৌরগা পি এম রিলিফ ফন্দদা ক্রিপটো করেন্সি দোনেট তৌনবা ৱারোল থাদোরকখিবনি।

রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না প্রাইম মিনিষ্টরগী একাউন্ট হেক তৌরিবা মীওই অদু বিট কোইনগী ৱাথোক্তা চেন্নবা মীশক অমনি হায়রি।

মালেমদা খ্বাইদগী মতিক-ময়াই লৈবা মীওইশিংগী মনুং চল্লিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ত্বিটর একাউন্ট হেক তৌদুনা সাইবর এটেক চথুরকখিবগী থৌওং অদু নুংনাংবা পোক্লিংঙাইনি হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরক্লি।

স্কুল হাংদোক্লবগী মতাংদা খন্নখ্রে...

লামায় ১গী মখা... মীফম অদুগী মতাংদা মিনিষ্টরনা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি সেপ্টেম্বর থাদা বেচেলরস দিগ্রীগী এগজামিনেসন লোইশিনগদবা মতম লেপখিবা মরম্না মহৈ তম্ফম লোইশঙশিং, মরু ওইনা টেক্নিকেল এদ্যুকেসনগী ইন্সটিট্যুট অমদি কোলেজশিং থোঙ হাঙবা মথৌ তাবগী ৱাফম কূপ্না খন্নখি। এগজাম পাঙথোক্ত্রিঙৈদা মহৈরোয়শিং খুদোংথীবা নংহন্দনবা করি করম্বা থৌরাংশিং লৌখৎপা মথৌ তাবগে হায়বদুসু মীফম অদুনা কূপ্না খন্নখি হায়রি।

কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা মার্চ থাদগী হৌজিক ফাওবা মহৈ তম্ফম লোইশঙশিং থোঙ লোন্দুনা লাক্লি হায়না পল্লদুনা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা হায়খি, মহৈরোয়শিংগী পূক্লিংদা ফাওরিবা মীপাইবা অমদি নুংনাংবা কোকহন্নবগী পান্দমদা তাঙ্কক নাইনা ক্লাস তৌবা হৌনবা খন্নরে। অৱাংবা থাক্কী মহৈ মশীন তম্লিবা মহৈরোয়শিংদা স্কোলরশিপ পীবগী ৱাফমসু মীফম অদুদা কূপ্না খন্নখি।

ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসনশিংনা লৌরিবা থৌদাং থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা মিনিষ্টরনা হায়খি, মহৈরোয়শিংগী মায়কৈদগী কান্নরবা ৱাফম কয়া পুখৎলকপগা লোয়ননা মহৈ তম্ফম লোইশঙশিংদা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর (এস ও পি) চৎনহন্নবা অমসুং সেনিটাইজেসন তৌবদা মপূং ফানা মতেং পাংগনি হায়না থাজবা পীরকখি।

দিলিমিটেসনগী কেস ১৩গী মতাংদা...

লামায় ১গী মখা... পীপলস দেম্মক্রেটিক এল্লাইয়েন্সনা ফাইল তৌবা এম সী (পি আই এল) নম্বর ৪৩ ওফ ২০২০, উখ্রুল ত্রাইবেল দিলিমিটেসন ফোরম (য়ু টি দি এফ) না কে এস এগী মথক্তা ফাইল তৌবা এম সী (পি আই এল) নম্বর ৪১ ওফ ২০২০ অমসুং নাগা পীপলস ফ্রন্টনা ৱাই দিলিপকুমার এন্দ ২ অদরসকী মথক্তা ফাইল তৌরকপা এম সী (পি আই এল) নম্বর ৪৫ ওফ ২০২০নি।

দিলিমিটেসনগা মরী লৈনবা মেট্টর ১৩ মক ঙসি চীফ জষ্টিস রামালিঙ্গম সুধাকর অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী দিভিজন বেঞ্চকী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর ৪দগী ১৬ ফাওবদা পূন্না লিষ্ট তৌখি।

অদুবু কোর্টনা মেট্টরশিং অসি খন্নবগীদমক লৌখৎলকপদা পি আই এলশিংগী রেসপোন্দেন্টশিংগী মরক্তা য়াওরিবা য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদা লেপখিবা এসিষ্টেন্ট সোলিসিটর জেনরেল (এ এস জি) এস সুরেসকী মায়কৈদগী দিলিমিটেসন তৌগনি হায়রিবা ফিরেপসি লৌরক্লিবা মরী লৈনবা প্রোভিজনশিংদা এমেন্দমেন্ট তৌরক্কদ্রা নৎত্রগা তৌরক্লোইদ্রা হায়বগী মতাংদা য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগী ইন্সত্রক্সন লৌরকখিগে হায়বা সবমিসনশিং কোর্টতা থমখি। মসিদা কোর্টনসু অয়াবা পীবগা লোয়ননা দিলিমিটেসনগা মরী লৈনবা মেট্টরশিং অসিগী মতাংদা মখা তানা খন্ননবগীদমক থাসিগী ১০দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি।

ঙসি কোর্টনা মেট্টররশিং অসি লৌখৎলকপদা পিটিস্নর কাউন্সেলশিংগী মরক্তগী সিনিয়র কাউন্সেল মাইবম হেমচন্দ্র অমসুং কাউন্সেল সাপম বিশ্বজিৎনচিংবনা এপিয়র তৌখি।

ইকায়খুম্নবা মাঙহল্লগা লংথোকপীরম্বদগী...

লামায় ১গী মখা... অমসুং ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৩০৭/৩২৫গী মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ৱিমেন পুলিস ষ্টেসনন্না রেগ্যুলর কেস এফ আই আর নম্বর ২৮ (৯) ২০২০ রেজিষ্ট তৌদুনা লৌখৎখিবনি। অদুগা কেস অসিগা মরী লৈননা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ লোম তারকপদা পুলিসনা ফাখিবা নহা অসি ঙসি কোর্ট অসিদা নুমিৎ ৭নিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখিবনি। কোর্টনসু পুলিসকী প্রেয়র অসিদা অয়াবা পীরদুনা মহাকপু থাসিগী ৯ ফাওবা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখিবনি।

থম্বাল ১০৮গী লৈখোক্তগী চিংবা লংনা স্কার্প, নেক টাই...

লামায় ১গী মখা... মখোক অশাংবা অদু মতেক-মতেক থুদেক্লবা মতুংদা লং চিংবা হৌখি। লং চিংবগী থবক্তা মীওই ৫/৬ লোম শরুক য়ারি। লং অদু কংহল্লবা মতুংদা তরেং শীজিন্নদুনা লংচাক্তা অমুক চাকশিল্লগা থল্লম্মী। লংচাক্তা য়েৎলবা লং অদু অহল ওইরবী নুপী অনীনা অমুক খ্বাং ফনেক্কী মওংদা লং হৌরগা স্কার্প মচা-মচা শাদুনা পুথোকপা হৌরকখি। শারিবা স্কার্প অদুগী মপান্দা তোঙান-তোঙানবা ময়েকসু থোক্লি। মরু ওইনা লমদম অসিগী সলাই তরেৎকী মচুনচিংবসু ফিগী ফিবালদা হাপ্তুনা পুথোকপা হৌখি।

টাই শাবগী মতাংদা মহাক্লা হায়খি, থম্বাল ১০৮গী লংনা শাবা টাই মখল অসি য়াম্না মোনবগা লোয়ননা শীজিন্নবদসু নুংঙাই। মতৌ অসুম্না থম্বাল ১০৮দগী লং চিংলগা শাদুনা পুথোক্লিবা স্কার্প অমদা লুপা ৬০০০, টাই অমদনা লুপা লিশীং ২ ফাওবগী চাংদা মার্কেটতা থাদোক্লবা থৌরাং তৌরি। মতৌ অসুম্না শাবা নেক টাই অসি মপান লমদদি দোলর ১০০ ফাওবদা য়োনবা থেংনৈ হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

লমদম অসিগী অতৈ মফমশিংদা থম্বাল ১০৮ মরাং কায়না ফংদে। অদুবু লোক্তাক পাৎতদি মরাং কায়না হৌবা মরম্না লৈকায়গী য়ূমথোঙ কয়াদা চৎতুনা থম্বাল ১০৮ খোমজিল্লবা মতুংদা কংহন্দুনা লং চিংলগা স্কার্প অমসুং নেক টাই শাবগী থবক পায়খৎপা হৌখিবনি হায়রি।

মহাক্লা হায়খি, কৈরেনফাবীদা হৌজিক মীওই ১৫ রোম থমদুনা থম্বাল মনা অমদি লৈরিকনচিংবা কংহল্লগা চাদা হাপ্লগা থক্লবগী মওংদা পুথোকপা হৌরে। থৌরাং অসি লৌখৎপদা তঙাইফদনা মথৌ তারিবসি কটিং মেছিন অমদি দ্রায়র মেছিননি। মসিগীসু মথক্তা কংহল্লবা থম্বাল মনা অমদি লৈরিক অদু পেকেটতা হাঞ্জিন্নবা মেছিন অমসু মথৌ তারি। হায়রিবা মেছিন অদু লৈবদা শেল খরা চঙগনি। শেন্থং খরদং ফংনবা হায়দুনা মণিপুর লৈঙাক্কী ষ্টার্ট অপ প্রোগ্রামদা এপ্লিকেসন পীশিনখ্রে। অদুবু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি শেল ফংবা লৈত্রি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

সনাজিং সনা থম্বাল হায়না মীংথোনবা ফার্ম অমা লীংখৎতুনা পুথোক্লিবা পোৎলমশিং অসি ইকো ফ্রেন্দলি ওইবগা লোয়ননা শীজিন্নবদসু হকচাংদা কান্নৈ। হৌজিকমক্কী ওইনদি কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা থৌরাং অসি লৌখৎপদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লরি হায়নসু মহাক্লা পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়াদা অথিংবা থমখ্রবা তীলহাৎ হীদাক অমা ৱাহিক হাৎনবা রেক্কমেন্দ...

লামায় ১গী মখা... দিরেক্টোরেট ওফ এগ্রিকলচরদা ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ এগ্রিকলচরেল রিছর্স (আই সী এ আর) লম্ফেলপাৎ অমদি ক্রিসি বিগ্যান কেন্দ্র (কে ভি কে) ইম্ফাল ইষ্টকী এগ্রিকলচরেল সাইন্টিষ্টশিংনা রেক্কমেন্দ তৌরকখিবনি হায়রি।

দিরেক্টোরেট ওফ এগ্রিকলচরনা থোরকখিবা প্রেস নোট অদুদা তিলহাৎ হীদাকশিংগা ঈশিংগা য়ান্নগদবা চাংদসু অশোয়বা খরা য়াওবা থেংনরে। হৌখিবা চহীদা ইকং থোকপনা মরম ওইদুনা পোথোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙমদবদগী অৱাবা মায়োক্লরবা লৌমিশিংনা হন্দক চহী অসিদসু লৌফমদা ৱাহিক তাশিল্লকপনা মরম ওইরগা ফৌ লোকপা ঙম্লরোইদ্রা হায়না মীপাইবা পোক্লরি। চৈরক অসিদা দিরেক্টোরেট ওফ এগ্রিকলচরগী মায়কৈদগী ৱাহিক হাৎনবনি হায়দুনা চেকশিন্দবা মওংদা অথিংবা থমখ্রবা হীদাক অমা রেক্কমেন্দ তৌরকপগী মতাংদা লৌমিশিংনা পেন্দবা ফোঙদোক্লরক্লি। লোয়ননা হায়রিবা তিলহাৎ হীদাকশিং অসি লৈবদা চঙবা শেনফমগী চাদা ৫০ লৌমিশিংগী একাউন্টদা হাপ্পুনা হঞ্জিল্লক্কনি হায়রবসু মার্কেটতা হীদাক ফঙদবা মরম্না অতোপ্পা তিলহাৎ হীদাক ওইনা লৈনরে। অদুবু অতোপ্পা মমিং মান্নদবা তিলহাৎ হীদাক লৈরগদি হায়রিবা চাদা ৫০গী শেনফম অসি ফংলোইদ্রা ? অদুনা থৌশিল অসিনা করম্বা মখলগী ওর্দরনো হায়বা ময়েক শেংনা খঙহনবিয়ু হায়না লৌমিশিংনা ফোঙদোক্লরকখি।

ফৌ পাম্বিশিংদা তারিবা ৱাহিকতগী ঙাকথোক্লবগী মতাংদা শীজিন্নবা য়াই হায়না দিরেক্টোরেট ওফ এগ্রিকলচরনা লৌমিশিংদা ফোঙদোরকখিবা হীদাক মখল অয়াম্বনা মার্কেটতা ফংদে। অফংবা খরা য়াওরবসু হীদাক মচলশিংগী পর্সেন্টেজদা চাওনা খেন্নবা কয়া লৈবা মরমনা করম্বা হীদাক শীজিন্নরগা ফগদগে হায়বগী মতাংদা চমম্নহল্লে। লোয়ননা তিলহাৎ হীদাক মখলশিংসিগী চপ চাবা ট্রেদ নেমসু খঙদবা মরমনা তিলহাৎ হীদাক লৈনবা হোৎনবদা অৱাবা মায়োক্লরে। লমদম অসিগী লৌমিশিংনা থাজবা থল্লিবা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা অসিগুম্বা থৌওং চৎথরকপা তারবদি মতৌ করম্না লমদম অসিদা পোৎথোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙমগদৌরিবনো হায়বগী অচৌবা ৱাহং অমসু মীয়াম্না হংনরক্লি। লোয়ননা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী লৌউ-শিংউ চাওখৎহন্দুনা পোথোক মরাং কায়না পুথোক্লবগী পান্দমদা থৌরাং কয়া লৌখৎলিবা মরম্না ষ্টেট অসিদসু লৌউ-শিংউগী লম্দা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙফম থোকই হায়নসু লৌমীশিংনা ফোঙদোরক্লি।

পাউচে অসিনা হীরম অসিগী মতাংদা দিরেক্টোরেট ওফ এগ্রিকলচরগী দিরেক্টরগা ৱারী শারুবদা মহাক্লা ফোঙদোরকখিবদা ইম্ফাল ইষ্টকী লৌফমশিংদা হ্বাইট বেক প্লান্ট হোপ্পর হায়না খঙনবা ৱাহিক মখল অমনা লান্দাশিল্লকপদগী ফৌ পাম্বী কংশিন্দুনা শিবা য়াওনরে হায়বগী ৱাফম লাকপদগী দিষ্ট্রিক্ত এগ্রিকলচরেল ওফিসর অমদি কে ভি কে ইম্ফাল ইষ্টকী টিম অমা থাদুনা য়েংশিল্লুরবা মতুংদা আই সী এ আর অমদি কে ভি কেগী এক্সপার্ট অমদি এগ্রিকলচরেল সাইন্টিষ্টশিংনা হায়রিবা তিলহাৎ হীদাকশিং লৌমিশিংনা কাপথোক্লবদি ফৌ পাম্বীশিং ৱাহিকতগী কনবা ঙমগনি খঙহল্লকপদগী দিপার্টমেন্টনা রেক্কমেন্দ তৌখিবনি।

লৌমিশিংনা হৌজিক ফংদে হায়রিবা হীদাক মখলশিং অথুবা মতমদা পুশিনবীরক্লবা দিপার্টমেন্টনা মরী লৈনবা ওফিসিয়লশিংদা খঙহনবা লৈখ্রে। লোয়ননা তিলহাৎ হীদাক লৈবদা চঙখিবা শেনফমগী তঙ্খায় অমা লৌমিশিংগী একাউন্টদা শোয়দনা হাপকনি। লৌমিশিংনা হীদাক লৈরুবগী বিল অমদি বেঙ্ক একাউন্ট নম্বর পীখৎলকপগী অকক্লবা মতম লেপত্রি। মখা তানা অদুমক পীশিল্লকপা য়াখিগনি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

অমরোমদা, ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ এগ্রিকলচরেল রিছর্স (আই সী এ আর)গী এগ্রিকলচরেল সাইন্টিষ্টশিংনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখিবদা দিরেক্টোরেট ওফ এগ্রিকলচরগী মায়কৈদগী অথুবা মতমদা হ্বাইট বেক প্লান্ট হোপ্পরদগী ঙাকথোক্লবা তিলহাৎ হীদাক্কী মমিং পীরকউ হায়রকপদগী মথক্তঃ পনখ্রিবা তিলহাৎ হীদাকশিংগী লিষ্ট অসি পীখিবনি। হীদাক মখলশিং অসিগী মনুংদা অফংবা অমা হেক্তা কাপথোকপা য়াই। হৌজিক মার্কেটতা ফংলিবা তিলহাৎ হীদাকশিং অদুদা পীরিবা পর্সেন্টেজ শুদ্রগসু ঈশিংদা হীদাক্কী চাং খরা হেন্না য়ানশিল্লগা শীজিন্নবদা কান্নগনি। লৌমিশিংনা ফোঙদোক্লরক্লিবা তিলহাৎ হীদাকশিং অসিগী ট্রেদ নেম পীবিয়ু হায়রিবা অসি এক্সপার্টশিংগী মায়কৈদগী পীনদে। মরমদি হায়রিবা পোৎলম অদুগী এদভর্টিজমেন্ট তৌবা ওইনা থোক্কনি। মরম অদুনা তিলহাৎ হীদাক্তা য়াওবা কেমিকেলশিংগী মমিং ওইনা পীবনি। হায়রিবা কেমিকেলশিং য়াওবা তিলহাৎ হীদাক অমা হেক্তা শীজিন্নবা য়াগনি হায়নসু ফোঙদোরকখি।